# ইন্দিয়াগী অচৌবা সিটিশিংগী মথক্তা লৈরিবা এয়ারস্পেসতা য়েক্নবনা চঙবা ঙমদনবা হোৎনগদৌরি



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ ঃ***

ইন্দিয়ানা লৈবাকসিগী মনুংদা লৈরিবা দিল্লি অমসুং মুম্বাই য়াওনা অচৌবা সিটি পূন্নমক্কী মথক্তা লৈবা এয়ারস্পেসতা কনাগুম্বা য়েক্নবা অমত্তনা চঙশিল্লকপা ঙমহন্দনবা অচৌবা দিফেন্স প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা হোৎনরি হায়না মিলিটরি ইষ্টাব্লিষ্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোজেক্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ানা মশানা শাজবা মিসাইলশিং শীজিন্নবতা নত্তনা যু এস, রসিয়া অমসুং ইজরেলদগী মিসাইলশিং, লোঞ্চরশিং অমসুং কম্মান্দ এন্দ কন্ত্রোল য়ুনিটশিং য়াওনা গভর্ণমেন্টনা মখল কয়াগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিং লৈশিনগদৌরি।

হৌখিবা চহী খরদা চিনানা মখোয়গী এয়ার পৱার শীংথানিংঙাই ওইবা থাক্তা কনখৎহনখ্রে অমসুং লীখুন কয়ামরুমনা ফোঙদোকপদা গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী য়েক্নবশিংগা মান্নবা কেপাবিলিটিশিং লৈবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্স মতীক চাবা খূৎলাই পায়হন্নবা অকনবা ফিরেপ লৌরি হায়রি।

সেক্যুরিটিগী ওইরিবা ফিভম য়েংলগা লৈবাকসিগী কোনুং অমসুং অতৈ সিটি কয়াগী মথক্তা মিসাইল সিল্ড হান্নদগী হেন্না কনখৎহনখ্রে। মিসাইল সিষ্টেমশিং, রাদরশিং অমসুং ৱিপনরি লৈশিনবনা থৌরাং অসিগী শরুক অমনি হায়না সেনিয়ার মিলিটরি ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

মিসাইল, রাদর দ্রোন অমসুং এটেক হেলিকোপ্টরশিং য়াওনা ইন্দিয়ানা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিংগী কম্পোনেন্টশিং লৈনবগীদমক যু এস কা ৱারী শান্নরি। যু এস না হান্ননা যু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২ গী সি গার্জিয়ান দ্রোন ২২ ইন্দিয়াদা য়োন্নবা অয়াবা পীখ্রে।

নোর্থ অটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নেতো) গী মেম্বর অমা নত্তবা লৈবাক অমদা যু এস না দ্রোনশিং য়োনবসি মসিনা অহানবনি।

ইন্দিয়ানা মশাগী ওইবা হান্না লৈরিবা মিসাইলশিং হেন্না কনখৎহন্নবা যু এস কী নেস্নেল এদভান্স সর্ফেস টু এয়ার মিসাইল সিষ্টেম-২ লৈনবা মীৎয়েংসু থল্লি হায়না লীখুনশিং অদুনা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়াগী এয়ার দিফেন্স মেকানিজম হেন্না কনখৎহন্নবা লুপা ক্রোর ৪০,০০০ রোম চঙনা রসিয়াদগী এস-৪০০ ট্রিয়ন্ফ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেমশিং লৈগদৌরি। মদুগী দিল অদু চহী অসিগী মনুংদা লৈবাক অনী অসিনা সহি তৌনরবা য়াই হায়রি।

প্রোজেক্ট অসিগী পান্দমদি ঐখোয়গী অতিয়াদা কনাগুম্বা অমত্তনা চঙশিল্লকপা ঙমহন্দনবনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

দিফেন্স প্রোজেক্ট অসিদা ইন্দিয়াগী ইন্টরকন্টিনেন্টেল বালাষ্টিক মিসাইল সিষ্টেম অগ্নি-৫ কী অহানবা বেটচ অদু শীজিন্নবা হৌনবা থবক চথরি। মসিনা লৈবাক অসিগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমদা মশক থোক্লা কনখৎহনবা ঙমগনি থাজরি। কিলোমিটর ৫,০০০ গী ষ্টাইক রেঞ্জ লৈবা মিসাইল অসিনা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ পুবা ঙম্মী। যু এস, চিনা, রসিয়া, ফ্রান্স অমসুং নোর্থ কোরিয়া য়াওনা লৈবাক খরখক্তনা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বালাষ্টিক মিসাইলশিং লৈ।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী মিসাইল পুক্কেদা কিলোমিটর ৭০০ শানবা অগ্নি-১, কিলোমিটর ২,০০০ শানবা অগ্নি-২, কিলোমিটর ২,৫০০ দগী ৩,৫০০ ফাওবগী রেঞ্জ লৈবা অগ্নি-৩ অমসুং অগ্নি-৪ লৈ।

হৌখিবা নভেম্বর থাদা সুখোই-৩০ কম্বেট জেট অমগী মথক্তগী মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াঙবা সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল- ব্রহ্মমোসকী মখল অমা মায় পাক্লা কাপ্তুনা চাংয়েংখ্রে। মিসাইল অসিসু হৌজিক ইন্দিয়ানা থৌরাং তৌরিবা মেগা দিফেন্স প্রোজেক্ট অসিগী শরুক অমা ওইগনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ৪০ সুখোই কম্বেট এয়ারক্রাফ্টতা ব্রহ্মমোস মিসাইল হাপচিন্নবগী প্রোসেস চথরি।

# ইম্রান খাননা পি এম ওইনবা হোৎনরিঙৈ সিটি ২ দা অহাংবা বেলোট বোক্স অমসুং পেপরশিং ফংবদগী ইরাং হেনগৎখ্রে

***কারাচি, জুলাই ২৯ ঃ***

পাকিষ্টান্দা জুলাই ২৫ দা পাঙথোকখিবা ফ্রী এন্দ ফিয়ার ওইখিদে অমসুং রিগ্গিং তৌখি হায়নরিবা নেস্নেল এসেমব্লি মীখলদা সিট ১১৫ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখ্রবা পাকিস্টান তেহরিক-ই-ইন্সাফ (পি টি আই) গী লুচিংবা হান্নগী ক্রিকেটর ইম্রান খাননা লৈবাক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্স দে আগষ্ট ১৪ গী মমাঙদা লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশাক লৌনবা হোৎনরি। চৈরকসিদা সিটি অনীদা অহাংবা বেলোট বোক্সশিং অমসুং বেলোট পেপরশিং ফংখিবদগী মীখল অদু ভোট-রিগ্গিং তৌখি হায়বগী ইরাং অদু হান্নদগী হেনগৎলকখ্রে।

পাকিষ্টানগী কারাচি অমসুং সিয়ালকোট হায়রিবা সিটি অনী অসিগী লম্বী নাকলদা অহাংবা বেলোট বোক্স মঙা অমসুং বেলোট পেপর কয়ামরুম তাদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী মীখল অদু ফ্রী অমসুং ফিয়ার ওইনা পাঙথোক্তে হায়বা ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱাফমদা য়ানিংদবা অমসুং চিংনবা লৈরকপশিং অদু হৌজিক অমুক্কা হেঞ্জিনখ্রে।

ইম্রান খানগী পার্টিনা মীখলদা মায় পাকখিবা অদু মীয়ামগী ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন্দা অথিংবশিং থমখিবা লোয়নননা কেম্পেন তৌনবগী চপ মান্নবা খুদোংচাবা কেন্দিদেটশিংদা পীখিদবা অদুনা অমকপা দাকফম অমা লৈহনখ্রে।

মীখলদা আর্মিনা খূৎ থিংজিনখি অমসুং নত্তবা পাম্বৈশিং শীজিন্নখি হায়না মরাল শীরদুনা লৈবাকসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) য়াওনা পার্টি কয়ামরুমগী অপূনবা মীফম অমনা মীখলগী ফলশিং অদু য়াখিদ্রে অমসুং মনুং মপান ফাওনা উবা মীখল অমা অমুক হন্না পাঙথোক্নবা দিমান্দ তৌদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চত্থগনি হায়না কিহনখ্রে।

কায়ুমাবাদ এরিয়াদা লৈবা কারাচি সিটিগী মমিং চৎলবা সুপরষ্টোর অমগী মনাক্তা অমোং-অকায় হুন্দোকফম অমদগী বেলোট পেপর কয়ামরুম ফংলে হায়না পাকিষ্টান পিপলস পার্টি (পি পি পি) গী এন এ-২৪১ সিটকী কেন্দিদেট মোৱাজাম অলি কুরেশিনা পুলিসতা পাউ পীরকখি হায়না দি আই জি পুলিস অমির ফরূকুয়্যইনা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা পি পি পি গী কেন্দিদেট অদুদা করিগুম্বা মথৌ তারবদি ইনক্কারি অমা চত্থগদবা ইলেক্সন কম্মিসনগী মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট রিটর্নিং ওফিসার অদুদা চৎতুনা ৱাকৎলুনবা খঙহনখি।

সিয়ালকোট সিটিদ্দিনা কেন্টেনমেন্ট এরিয়াদা লৈবা কাশ্মীর পার্ক মনাক্তা অহাংবা বেলোট বোক্স মঙা হুন্দোক্তুনা থল্লম্বদগী মীয়ান্না খঙনরকখিবনি হায়না 'দোন' পাউচেনা হায়খি। অহাংবা বেলোট বোক্সশিং অদু মশক খঙদবা মীওই খরনা হুন্দোক্লম্বনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকই হায়বা পাউচে অদুনা হায়খি।

বেলোট বোক্সশিং ফংবগী পাউ অদু ফংলবা তুংদা এন এ-৭৩ কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী পি টি আই গী মায়থিহৌরবা কেন্দিদেট উসমান দর না মাগী পার্টিগী ৱার্কর ময়াম অমগা লোয়নননা মফম অদুদা লাকখি অমসুং মীখল অদুদা মায় পাকখিবা পি এম এল-এন গী খ্বাজা মুহমদ অসিফকী মায়োক্তা খোল্লাউশিং লাওখি।

পাকিষ্টানগী শক্তি লৈরবা আর্মিনা মীখল অদুদা অচৌবা মওংদা খূৎ থিংজিনখি অমসুং ঈথিন পীখি হায়বসি সাউথ এসিয়াগী এক্সপার্টশিং অমসুং পাকিষ্টান ওবজার্ভরশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইনা চপ মান্ননা য়াবা হেনগৎলকখিবা মরক্তা ইম্রান খানগী পার্টিনা মীখল অদুদা মায় পাকখিবনি।

অসুম্না মীখল চুম্না পাঙথোকখিদে, আর্মিনা খূৎ থিংজিনখি অমসুং ইম্রান খানগী পার্টিদা আর্মিনা মতেং পাংখি হায়বগী ৱাথোক মরক্তা ইম্রান খাননা পাকিষ্টানগী ইন্দিপেন্দেন্স দে আগষ্ট ১৪ গী মমাঙদা লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌনবা হোৎনরি।

পাকিষ্টান পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউস হায়বদি নেস্নেল এসেমব্লিদা পূন্না মেম্বর ৩৪২ লৈ। মসিগী মনুংদগী মীখলদা ২৭২ খল্লি। মসিগী মনুংদা পূন্না সিট ১৭২ ফংবা ঙম্বা পার্টি অদু খক্তনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্মী।

মীখল অদুদা হৌজিক জেলদা লৈরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী পি এম এল-এন না সিট ৬৪ অদুগা হান্নগী প্রসিদেন্ট আসিফ অলি জরদারিগী পাকিষ্টান পিপলস পার্টিনা সিট ৪৩ ফংদুনা মথংশিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

ইম্রান খানগী পার্টিগী পি টি আই না করিগুম্বা জি দি এ, এম ক্যু এম-পি, পি এম এল-ক্যু অমসুং অৱামি মুস্লিম লিগকী শৌগৎপা ফংবা তারবদি মহাক্কী মীচঙদা লৈগদৌরিবা মেম্বর মশীং অসি ১২২ ওইগনি। অদুবু মসিসু গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী মথৌ তাবা মশীং অদুদগী ১৫ ৱাৎলি।




# ঙসি অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা অসামগী নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) গী ফাইনেল দ্রাফ্ট ফোঙলগনি

***গুৱাহাটি, জুলাই ২৯ ঃ***

অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিত্তা অসামগী নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) গী অনীশুবা অমসুং অরোইবা দ্রাফ্ট অদু ফোঙনবগী থৌরাং পূন্নমক লোইখ্রে। দ্রাফ্ট অসি ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা এন আর সি সেবা কেন্দ্র পূন্নমক্তা নুমিৎ য়ুংবদা ফোঙগনি।



হৌজিক এন আর সি গী ফাইনেল দ্রাফ্ট ফোঙলগনি হায়বসিদা চাওরাক্লা মীওই ক্রোর ১.৫ না মখোয়গী সিটিজন্সিপ ষ্টেতস অদু খঙনবা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈনখ্রে।

ইন্দিয়াগী সিটিজন্সিপ ওইনা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ জিটিজন্স (এন আর সি) দা মখোয়গী মিং চন্নবা চে থাজিনখিবা এপ্লিকান্টশিংনা হয়েং ফোঙগদৌরিবা লিষ্ট অদুদা মখোয়গী মমিং য়াওৱা হায়বদু য়েংবা য়াগনি। লিষ্ট অদুদা এপ্লিকান্ট অদুগী মমিং, লৈফম অমসুং ফোটো য়াওরক্কনি হায়না এন আর সি ষ্টেট কোওর্দিনেটর প্রতীক হজেলানা হায়খি।

এন আর সি ফাইনেল দ্রাফ্ট অসিদা কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৫ গী মমাঙদা অসামদা লৈরকখ্রবা ইন্দিয়ান সিটিজন পূন্নমক্কী মমিং য়াওগনি।

সেন্সিয়স অমগী মতুংদা কুমজা ১৯৫১ দা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স অসি অহানবা ওইনা শেমখি।

অসামদা লিষ্ট অদুগী খ্বাইদগী নৌবা অদুদা ১৯৫১ গী লিষ্ট অদুদা মমিং য়াওবশিং অদুগী চারোন-শুরোনশিং নৎত্রগা মার্চ ২৪, ১৯৭১ ফাওবগী অসামগী ইলেক্ট্রোরেল রোলশিংদা য়াওবশিং অদুগী মমিংশিং য়াওগনি।

মার্চ ২৪, ১৯৭১ ফাওবা ইন্দিয়ান সিটিজন্সিপনি প্রমাণ পীবা ঙম্বশিং অদুগী মচা-মশুশিং অদু ইন্দিয়ান সিটিজন্সনি হায়না লৌগনি।

অসামদা এপ্লিকান্ট ক্রোর ৩.২৯ গী মনুংদগী ক্রোর ১.৯ লিষ্টকী অহানবা রাউন্দা চহী অসিগী জনুৱারী ১ দা ইন্দিয়ান নেস্নেল ওইনা লৌখৎখি। থা অসিগী ঙল্লিঙৈদা মী লাক্ষ ১.৫ অহানবা লিষ্ট অদুদগী লৌথোক্লগনি হায়না এন আর সি ওথোরিটিজিনা ফোঙদোকখি। মখোয় অদু মখোয়না থাগৎলকখিবা দোকুমেন্টশিংদা চান্নদবা অমসুং অরানবশিং য়াওবদগীনি।

এন আর সি গী ফাইনেল দ্রাফ্ট ফোঙগদৌরিবা অসিগী য়েংদুনা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্তুনা থন্নবা ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক্তা সেক্যুরিটি কনখৎহনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস পূন্নমক চেকশিন্না লৈনবা পাউতাক পীখ্রে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

সেন্টরনসু অসাম অমসুং থংনবা ষ্টেটশিংদা সেক্যুরিটি কনখৎহন্নবা সেন্ত্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স কম্পনি ২২০ থাজিখ্রে।

এন আর সি ফাইনেল দ্রাফ্ট ফোঙগদৌরিবা অসিগী মতাংদা অসাম চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱালনসু হন্দক্তা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোকখ্রে অমসুং ওফিসারশিংদা য়ান্না চেকশিন্না লৈনবা লোয়নননা দ্রাফ্ট অদুদা মমিং য়াওদবশিংনা ৱাকৎলকপদা য়ান্না নীংথিজনা মরমশিং অদু শুগাইনা তাক্লবা খঙহনখি।

এপ্লিকান্টশিংনা ফাইনেল দ্রাফ্ট অদুদা মখোয়গী মমিংশিং য়াওৱা হায়না জুলাই ৩০ দগী সেপ্টেম্বর ২৮ ফাওবা ওফিস মতমদা মখোয় মখোয়গী এন আর সি সেবা কেন্দ্রশিংনা য়েংবা য়াগনি, ২৪X৭ টোল ফ্রী নম্বর ১৫১০৭ অসামদগী অমসুং অসামগী মপান্দগী ১৮০০৩৪৫৩৭৬২ দা মখোয়গী দিজিট ২১ গী এপ্লিকেসন রিসিপ্ট নম্বর রিফর তৌরগা টেলিফোন তৌরকপা য়াগনি।


হৌজিক অসামগী এন আর সি গী ফাইনেল দ্রাফ্ট ফোঙগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা থংনরিবা ষ্টেটশিং- মেঘলায়া, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুরনা অসামগা তাইনবা ঙমখৈ পরীংদা ঙাক-শেনবগী থবক কনখৎহনখ্রে।

# লেফ্ট লৈঙাক্কী চহী ২৫ দা মোব এটেকশিং থোকখিদে ঃ *মনিক সরকার*

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ ঃ***

ট্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা ষ্টেট অদুদা লেফ্ট ফ্রন্টকী চহী ২৫ গী লৈঙাক মতমদা মফম মরাং খঙদবা মী খূৎপুশিংনা হুপচিন্দুনা মী হাৎপগী থৌদোক অমত্তা থোকখিদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু মশানা শকখিবা ৱাশকশিং ঙাকপা ঙমদবা অমসুং মদুগী অশোয়বা অদু খঙহন্দনবা মীয়ামগী পূক্নীং লমফে অমদা পুথোকখিবা পাম্বা গভর্ণমেন্ট অমগী মতমদা থোকপনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



ট্রিপুরা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল দেমোক্রেসি হাৎপা অমসুং মফম মরাং খঙদবা মীওই খূৎপুশিংনা মী হাৎপগী থৌদোকশিং থোকপগী মায়োক্তা লেফ্ট পার্টি ৫ না শীনবা প্রোটেষ্ট অমা শরুক য়ানবা লেফ্ট লুচিংবা অসিনা হন্দক দিল্লিদা চৎখিবনি।

মহাক্না থৌরম অদুদা ফোঙদোকপদা ২০১৪ লোক সভা মীখল মমাঙদা বি জে পি না শকখিবা ৱাশকশিং অদু পাঙথোকপা ঙমদ্রে অমসুং কাঙলূপ জাৎকী য়ূম্ফমদা খুন্নাইবু নাকপাক অনী তাহন্নবা হোৎনরে হায়বগী মরাল শীখ্রে।

ট্রিপুরাদা মীয়ান্না মীওই ৪ হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পল্লদুনা হান্নগী ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা লেফ্ট ফ্রন্টকী চহী ২৫ শাংবা লৈঙাক মতমদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি কৈদৌঙৈদা অমুক্তা থোকখিদ্রি হায়খি।

মহাক্কী মতূং ইন্না অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদি গভর্ণমেন্ট অদুনা মীখলদা শকখিবা ৱাশকশিং অদু ঙাকপা ঙমদবা অমসুং মদুদা খুদোম্বী থিল্লক্কদবা মীয়ামগী ৱাখল থৈদোকপা পাম্বা গভর্ণমেন্টকী মতমদা থোকপনি হায়খি।

অঙাং ফাবা মফম মরাং খঙদনা ময়াম হুপচিন্দুনা হাৎপা অমসুং ষণগীদমক কা-হেন্না চেকশিনবা অসিনচিংবা অসি বি জে পি গী গভর্ণমেন্টকী মায়থিবশিং অদুদগী মীয়ামগী পূক্নীং থৈদোক্নবগী ফত্ত-লৌশিংনি হায়না মনিক সরকারনা হায়খি।

ট্রিপুরাদা লৈরিবা বিপ্লব দেবনা লুচিংবা বি জে পি গভর্ণমেন্টপু চৈরদুনা মহাক্না হায়খি, সেন্টরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অদুগুম্না ট্রিপুরাদসু ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিনা এসেমব্লি মীখলদা মশানা শকখিবা ৱাশকশিং অদু পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়খি।

# তিবেট, চিনাগী শেংলবা টেরিতোরিগী শেৎতোক্নবা য়াদবা শরুকনি হায়না চিনাগী প্রেমিয়রনা ফোঙদোকখ্রে

***বৈজিং, জুলাই ২৯ ঃ***

তিবেট অসি চিনাগী শেংলবা টেরিতোরিগী শেৎতোক্নবা য়াদবা শরুক অমনি অমসুং লাইনীং লুচিংবশিংনা লৈবাক্কী অমত্তা ওইবা অপুনবা অমসুং কাঙলূপ মশেনগী নুংশিনবা য়োকখৎনবা হোৎনগদবনি হায়না লমদম অদুদা চৎপা তাংলবা খোঙচৎ অমদা চিনাগী প্রেমিয়র লি কেকিয়াংনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ১৯৫০ দা চিনাগী লান্মীশিংনা তিবেটতা চঙশিল্লকখি। মদু শান্তি ওইবা লিবরেসন অমনি হায়না চিনানা হায়খি অমসুং মদুগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবা অকনবা খূৎপায় অমগা লোয়নননা মফম অসিদা লৈঙাক্লক্লি।

জুলাই ২৫ দগী ২৭ ফাওবা তিবেটতা চৎখিবা প্রেমিয়র লি না তিবেটান বুদ্ধিজমগা মরী লৈনবা মরু ওইবা মফম অনীদা চৎখি হায়না গভর্ণমেন্টকী পাউগী এজেন্সি জিনহুৱানা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখি।

ফেব্রুৱারী থাদা মৈ চাকপদা শোকখ্রবা জোখাং টেম্পলদা প্রেমিয়র লি না নিপানশুবা চহীচাগী মোনুমেন্ট অমা য়েংশিনখি। মোনুমেন্ট অদু তিবেট অমসুং তাঙ দাইনেষ্টিগী মরক্তা তৌনখিবা এলাইয়েন্স অমা নীংশিংনবনি।

মোনুমেন্ট অদুগী মমাঙদা প্রেমিয়র লি না ঙাংখিবা ৱাফম অদু পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউ অদুনা হায়খি, থায়নগী মতমদগী হৌনা তিবেট অসি ইমা লৈবাক্কী শেংলবা টেরিতোরিগী শেৎনবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইরকখি।

য়ুনেস্কো ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইট অমা ওইরিবা দলাই লামাগী হান্নগী য়ূম পোতালা পেলেসতসু প্রেমিয়র লি না চৎখি।

চিনাগী মায়োক্তা ঈহৌ অমা হৌরুবদগী ১৯৫৯ দা তিবেটান বুদ্ধিজমদা খ্বাইদগী ৱাংবা মীওই ওইরিবা হৌজিক্কী দলাই লামানা ইন্দিয়াদা চেল্লত্তুনা লোইদা লৈরকখিবনি।

# নোইদাদা ৭৫০ ক্রোর সোফ্টৱেয়ার দিভলপমেন্ট সেন্টর লীংখৎকদৌরি

***নোইদা, জুলাই ২৯ ঃ***

অচৌবা গ্লোবেল সোফ্টৱেয়ার কম্পনি অমা ওইরিবা ইনফোসিসনা উত্তর প্রদেশকী নোইদাদা লুপা ক্রোর ৭৫০ চঙগদবা সোফ্টৱেয়ার দিভলপমেন্ট সেন্টর অমা লীংখৎকদৌরি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা কম্পনি অদুনা ফোঙদোকখি।

মহৈরোই ৫,০০০ গী সিট লৈগদবা সেন্টর অসিগী লুপা ক্রোর ৭৫০ চঙগদবা ফেজ ১ অসি লীংখৎপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লককখ্রে হায়না বেঙ্গলুরুদা লৈবা আই টি গী অচৌবা কম্পনি অসিনা নোইদাদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

উত্তর প্রদেশতা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কেপাবিলিটি হেনগৎহন্নবা পান্দমদা 'রাইজিং উত্তর প্রদেশ, পৱারিং ন্যু ইন্দিয়া' হায়বা লক্ষনৌদা পাঙথোকপা থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ষ্টেট অসিদা ইনফোসিসকী থবক থৌরমশিং পাকথোক চাওথোরকপগীদমক থাগৎখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফেসিলিটি অসিগীদমক সেক্তর-৮৫ নোইদাদা লম একর ২৭.৫ পীখ্রে।

নেস্নেল কেপিটেল রিজন্দা ঐখোয়গী থবক হেনগৎহন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইরিবা লীংখৎকদৌরিবা ঐখোয়গী নোইদা ফেসিলিটি অসিবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপীদুনা ঐখোয়বু ইকায়খূন্নবীরে হায়না ইনফোসিস চীফ একজিক্যুটিভ সালিল পরেখনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হায়খি।

নোইদাদা লীংখৎকদৌরিবা ইনফোসিসকী ফেসিলিটি অদু সিঙ্গাপোরদা লৈবা আর এস পি দিজাইন কন্সলটেন্টসনা দিজাইন তৌগনি। মদুদা যু এস গ্রীন বিল্ডিং কাউন্সিলনা পীবা গ্রীন বিল্ডিং অমগীদমক খ্বাইদগী ৱাংবা সার্টিফিকেসন-এল ই ই দি প্লাতিনম রেটিং অমা লৈগনি।

# ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহার হাবদা ১৪ শিরে

***জাকার্তা, জুলাই ২৯ ঃ***

ইন্দোনেসিয়াগী মীয়ান্না পান্নবা লম কোয়ফম ঈথৎ লোম্বোক্তা অকনবা য়ুহার হাবা অমদা শিখিবা মীগী মশীং ১৪ য়ৌখ্রে অমসুং ১৬০ হেন্না শোকখ্রে।

মেগ্নিচুদ ৬.৪ গী য়ুহার হাবা অদু কিলোমিটর ৭ কী লৈখাদনি। মদুগী শাফু অদুদা য়ূম ১,০০০ হেন্না শোকখ্রে। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা মালেসিয়ান টুরিষ্ট অমসু য়াওখ্রে হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াগী দিজাষ্টর মিতিগেসন এজেন্সিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬২ শোকখি। মদুগী মনুংদা অরুবা ফিভমদা শোকপা ৬৭ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

**সনা-সুদোকু -১২৪২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 8 | 1 | 2 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 9 | 5 | 6 | 8 | 7 | 3 | 1 | 2 | 4 |
| 3 | 1 | 2 | 4 | 5 | 6 | 8 | 9 | 7 |
| 1 | 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 2 | 7 | 5 |
| 7 | 2 | 9 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 6 | 8 | 5 | 7 | 4 | 2 | 9 | 3 | 1 |
| 5 | 3 | 1 | 2 | 6 | 4 | 7 | 8 | 9 |
| 8 | 9 | 7 | 5 | 3 | 1 | 4 | 6 | 2 |
| 2 | 6 | 4 | 9 | 8 | 7 | 5 | 1 | 3 |

# এন আই টি আগর্তলাদা ইশ্রোনা টেক ইন্নোভেসন সেন্টর লীংখৎলগনি

***আগর্তলা, জুলাই ২৯ ঃ***

নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি) আগর্তলাদা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইশ্রো) না টেক্নোলোজি ইন্নোভেসন সেন্টর (টি আই সি) অমা লীংখৎনবগী থবক চঙশিনবা হৌখ্রে।

প্রোজেক্ট অদুগী মতাংদা এন আই টি আগর্তলাদা হান্নদগী হৌনা খন্ন-নৈনবগী থবকশিং চত্থরকখ্রে হায়না ইশ্রোগী কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রামগী দাইরেক্তর ডা. পি ভি ভেঙ্কতেসননা সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবদা ফোঙদোকখি।

ডা. বেঙ্কতেসননা লুচিংবা ইশ্রো টিম অদুনা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখি অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা বেঙ্গলোরদা টি আই সি হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াননবা খঙহনখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চাওরাক্লা দিফেন্স অমসুং এরোস্পেস কম্পনি ৫০০ রোমসু শরুক য়াগনি হায়রি।

# নুপী ১ দগী কে জি ৩৫ গী ট্যুমর লৌথোকখ্রে

***কোলকতা, জুলাই ২৯ ঃ***

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কলিয়ানিদা লৈবা কলিয়ানি কলেজ ওফ মেদিসিন এন্দ জে এন এম হোস্পিটালদা ঙরাং এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার গ্যানিকোলোজিকেল সর্জরি ম্রিগাঙ্কা মৌলি সাহনা লুচিংবা সর্জরি টিম অমনা মশাগী চহী ৬০ শুরবী নুপী অমদগী কে জি ৩৫.৪৫ লোম লুম্বা ওভেরিয়ান ট্যুমরশিং মায় পাক্লা লৌথোকখ্রে।

নুপী অদু অরাতি অধিকারি কৌই। নোর্থ ২৪ পরগানাসদগীনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1243**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | | 5 | | 9 | |
| | 2 | | | | | | | |
| | | 1 | | | 8 | | 4 | |
| 7 | | | | | | | | 9 |
| 3 | | | | 5 | 7 | | | |
| | 5 | | | 9 | 4 | | 2 | |
| 5 | 4 | 9 | | | | | 1 | 3 |
| | | 3 | 2 | 1 | | | | |
| | | 6 | | 4 | | | | |